# য়ুঙাংনা মণিপুরগী কৈথেলশিংদা মনীং তমজরক্লদি ঐখোয়গী শেঙ্গাও মচাদা য়াওজরিবা খরসে মীগী শেঙ্গাওদা ...

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

লমদম অসিগী মীয়াম মরক্তা য়ু হায়বা মহীসে মৃৎখ্রবদি শিদ শিরদবোই খনবা মিপাইজবা কয়া অমা য়াওরি। মসি হায়নীংই হায়দুনা পঙহায় হায়জিনবৈ ৱা নত্তে। কুমজা ১৯৭৫দা ককচীংদা অহানবা ওইনা হৌরকখিবা *নিশা বন্দ* হায়বদি য়ু শুংবা, য়োনবা, থকপা থিংবগী ঈহৌ অদুদা থোকখিবা লান ময়ামদুনা লেঙদ্রবা খুদমনি। অথকপা অয়োনবা অশুংবশিংনা য়ু থিংলিবা ইমা-ইবেল, ইনে-ইন্দোনশিংদা চৈবা-ঙাঙবদা শীজিন্নবা ৱাহৈ খোন্দাশিংদুনা মরোন অমা শাথীখ্রবা। চোংশিন্দুনা ফূরকখিবা মতাংসু য়াওখিবগুম তৌবনি। থকপা পাম্বগী চাংদি আ লময়ৌবীনি। মণিপুর শিনবা থুংনা থেঙ্খাং থেঙ্খাং কয়ারক ঈহৌ হৌখিবনি। কুমজা ১৯৯১দা মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট পাস তৌদুনা দ্রাই ষ্টেট লাউথোকখ্রবনি। লৈঙাক্লসু এক্সাইজ দিপার্টমেন্ট থমদুনা য়েংশিনবনি। ঈহৌ অসিবু শীংনদুনা থকপা য়োনবা কয়া খোঙ্গোইনবা থৌদোক কয়াসু থোকখ্রে। মীশি মীনা কয়াসু য়াওখ্রে। কমদৌননো খঙদে মসিদসু লোন্না খঙদে, ফোংনা খঙদে অদুম্মক য়োন্দুনা লৈ। হৌজিক্তি নুপীসু পঙথক্তা থক্লরক্লে। য়ুঙাং-য়ুঙৌ মমল য়াম্বা য়ামদবা মখল মথেলনি থকই হায়রগা লেমজবদৌনা খন্নরক্লে। পামজদবশিংনা ফ্রং ফ্রং চোঙজবা, লাউজ-খোংজবা তাবীরম্মি থাজদে। থক্তবশিংবু খুনূং চূবা মতমগী চৎনবী খঙদবনি হায়বীরে। ফীভম অসি য়ৌশিল্লক্লবসিদদি ফিরাক পৎকেরা, চাকখাও শেগাইগেরা, কু তোংগেরা থক্লিংখৈ থকচনি খল্লকপা মতাংসু হেক হেক য়াওরকই।

ঈহৌ অসি ককচীংদা য়াম্না কন্না চথুবা মতাং অমদনি য়ুরাই চুরবা নুপা অমা মখোঙ কারল থাংলগা লাকপদা ইমা ইবেলশিংনা ফারগা মানা থক্লকপা মফম অদু হংই। য়ুগী ময়াইনা মখোঙ থাংবা থোক্ত্রবা মরোল মরৈ ইফাই ফাইরবা মানা শিংবৈ চাংদি য়োনফমদু তাকথোকউ হায়বা য়াবীপোৎ নত্তে। কাইনথংদা লৱাই লেম্ফুদুদা শুজিনবা, মশম ফোয়বা, মনা চিংবা তৌরকান্দুদা মানা খুমদোরকপদু কয়াদি মথোঙ চাখিদ্রে। আ চীংদোন্দা তাবা চীংগী খুল অমদগীনি হায়রকই। মফমদু য়ৌনা চৎলগা হংলুবা ঙম্বসু নত্ত ময়ামদু খূৎ-শা প্রোক-প্রোক থেল্লগা খাঙনবীনি। শাথীবসু য়াম্না য়াওইদা। ইরন্না থকচবনি, নরন্না থকপীবরা হায়বসিমদি য়াম্না তোয়না তাখিবনি। য়াম্না খঙবা হৈবা শাবা খরনদি অসুম্নসু হায়রিপোৎনি - "আ নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমগীনি লমদম অসিগী মীয়াম্না খুন্নাইগী থবক থৌরম, লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা থৌরম কয়াদা 'য়ু য়াওদবা য়ারমদবসি।'' থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা য়ুনা ইমুং মনুং, কৈরোই লৈকায়, খুন্নাই অসিবু কয়ামুক য়াম্না শোকচিনহনবগে হায়বসি খঙনা খঙনা খঙশিন্নদবা ময়াম অমা লৈ। মসিননি পূমথিং থিংবা ঙমদ্রিবসি। হীদাকনি ঈগী ঈচেল য়াঙখৎহল্লি হায়বসু য়াওরিবনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা কষ্টমরি লোনা য়াবনি হায়দুনা য়ু শুংবদা অথিংবা লৈতবা খুন খরসু লৈরিবনি।

হন্দক অমুক লৈঙাক্লা মণিপুরদা য়ুঙাং লিগেলাইজ তৌরক্লবদি মদুগী মায়োক্তা নুপী খুন্নাইনা খোঙজং চঙশিনগনি হায়বগী ৱাফম অমা লাক্লে। য়ুঙাং লিগেলাইজগী ৱাফম অসি ইরায় লায়না লৌফম থোক্তবরা খল্লি। য়ুনা পীবা অৱাবা চৈথেং অমাঙ অতাদি পল্লুবা থোইদোক্ত্রে হায়বা য়াই। খঙলরোই হায়না খঙনদবৈ ৱাখক্লি খঙদবা কনাসু য়াওদ্রবনি। য়ুঙাং লিগেলাইজ তৌরকপনা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন্দা কয়ামুক য়াম্না শোকহল্লকপা য়াবগে হায়বসি মীপূম খুদিংমক খঙমিন্নবা মথৌ তারক্লে। মতম অমদা নোংচুপকী ইন্দষ্ট্রিদা খুমাঙ চাওশিল্লকখিবা লৈবাকশিংনা মখোয়গী পোত্থোকশিং য়োন্ননবা কৈথেল থিরকখি। শোথনা লৈবা এসিয়া, অফ্রিকানচিংবা লৈবাকশিংদা মীৎয়েং থল্লকখি। মদুদনি ইন্দিয়ানা বৃটিশ লোই লম ওইখিবদু। শেন্দোংতবু মিহৌবা বৃটিশনা ইন্দিয়াগী কৈথেলশিং খুদুম চনশিনখি। মখোয়না শেমজবা পোলিসি কয়াগী কান্নবা মহয়দু মখোয়না ফংজখিবনি। লম্বী-থোং ফগৎহনবা, রেলৱে হাংদোরকপা, পোষ্ট এন্দ টেলিগ্রাফ লিংখৎলকপা, নোংচুপকী এদ্যুকেসন পুশিল্লকপনচিংবা কয়া অসি মপাম্বোংগী ওইনা চহোপ চহোপ য়েংবা কাঙবুনদি হায় - বৃটিশনা পানবদগী ইন্দিয়া মীয়াম্না চাওখৎপগী মঙাল উবা ফংজরে। অদুবু চাওখৎ থৌরাংগী মিংদা পায়খৎলকখিবা থবক থৌওংশিং অদুগী ফিজং মরুমদা মখোয়গী শেন্মীৎলোন অতিয়া পক্লা ৱাংখৎননবা পোথি পোরম থৌশিল লোত্তুনা লৈ হায়বসিমদি ককপা য়াররোইদবা ময়েক্লি। ত্রেন অমদি মখল কয়াগী গাড়ীশিংনা পুরকপা মখোয়গী পোত্থোক্লা ইন্দিয়াগী কাচিন কোয়া থুংখিদুনা কৈথেল পূম্বা মফম চাউনা কন্দুনা থমখি। ইশম হেক শম্না ইন্দিয়া মীয়াম্না মখোয়গী পোত্থোক লৈদুনা শীজিন্নবগী হৈনবীদা লূপশিনখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা ইন্দষ্ট্রি মচা মচা তৌজদুনা হিংজরম্বা লৈবাক অসিগী মীওইশিংদি অরেঙ অরেঙ পুখবগী ফীভমদা লাকখিবনি। অখঙ অহৈ কয়ানা ***থৌদৌ অসিবু দ্রেন ওফ ৱেলথ ওফ ইন্দিয়া টু বৃটেন*** হায়না শীংথারি।

করিগুম্বা য়ুঙাংবু লিগেলাইজ তৌবগী ৱাফমসিনা অচুম্বা ওইরক্লবদি ঐখোয় পূম্নমক মীকূপ নাহুম শিংনা লৈবা মথৌ তারকই। পোৎশক অসি ফোরেন লিকর হায়রগসু খঙনৈ। য়ুঙাং হায়জবৈ ৱানি অঙাং অশং অঙৌবা মখল মখলনি। হান্নদগী পাম্নদুনগা লৈবনে মতৌ অমদি ওইগদবা মাল্লি। চৎন-পথাপ কাঙলোন কয়াগী মখাদা ফজনা মওং মরীন নাইবা ফীভম অমদা থম্নবা হোৎনরকপসু য়াই। অদুবু লুরিবদি মথোঙ হুক্তবা কয়াবু লাকশিনবা ঙমগদ্রা, ঙম্লোইদ্রা হায়বা ৱাহং অসিনি। প্রোহিবিসন এক্ট লৈনা লৈনা অসুক য়াম্না শাথীরিসিদবু চৎন কাঙলোন হায়বকাদু করিসু নাচুংবীরোই। নহানৱাইদি নুপাখক্তমক থক্লম্মী হায়বা য়াই। হৌজিক্তি থক্তবশিংনা থকচদ্রবসু থকপা চাবা পামজবী নুপীশিংদি তকখৎতুনা থক্কৎনরক্লে। য়ু শুংবা মীরমগী ফেক্টরি অমদি কম্পেনিশিংদি নুংঙাইবনা মতোন থোক্লনি। মীরমগী য়ুনা মণিপুরগী কৈথেলদা মনীং তম্না থেন্দুনা লৈরকপা, শেঙ্গাও পায়বা শাবা ঐখোয়না ফুরিৎখাওদগী বেগতগী গান্ধী মকোক্তু শৎ শৎ শৎলগা চাইথোকপা, অস! অদুম্নকা তৌরক্লদি কপ্তুম কপনীংইদা! ঐখোয়না ৱানা হুমাং শীন্থখৈ নৎত্রগা হৈ শিংবা কাঙবুনা নুংঙাইনা তানশিনবা শেল ওখাক য়াম্না মীরমদা পাইখিনিকো! তৌবগীদি খূৎশা হৈবগী হীরমদা খঙবা হৈবা মীওইনা পৃক-পৃক শৌখৈ লৈরবসু, লৌউ শিংউবগী থবক্তা তাকপী তন্বীবগী মথৌ তাদ্রবসু, লৌবুক-লম্ধাং, চীং-মান, পাৎ মরাং কায়না লৈজরবসু মীরমগী পোত্থোক শীজিন্নবা চাজ-থকচবদা অপেনবা পোকচবা ঐখোয়নি। শেঙ্গাও পায়বা থাক ৱাংবনি উৎননবা থকচরিবা মীরম য়ুনা মণিপুর কৈথেলশিংদা মনীং তমহনগে হায়না তমহল্লক্লবদি মাঙজগদৌরিবসি ঐখোয়খক্তগীনি। ঐখোয়গী শেঙ্গাও মকোম চেংনবা থৌশিল থবক ওইনা পাঙথোকহন্দবা হায়বসি মীয়ামগী থৌনা অমদি পুকচেল শেংবগী মখা পোল্লি। মীগী শেঙ্গাও লূম্নবা শূ-নোম্বদি পঙসু শূবা পঙনোম নোম্বা তারক্কনি। ●

---

আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপকী মখাদা ইজবা

# 'জিম হায়রগা মণিপুরদা মশা মউ ফবা ওইনা খল্লি, অশেংবদি মদু নত্তে হকচাং ফিট ওইনা থম্বনি'

— বিজয় লাইশ্রম —

ঐখোয়না জিম হায়রগদি মণিপুরদা মীয়াম্না মশা মউ ফবা ঙাক্তা ওইনা খন্নৈ। অশেংবদি মদু নত্তে, ঐখোয়গী ৱাখল্লোনদি ফিটনেস সেন্টর তৌরিবা অসি খুকউ নাবা মীনা খুকউ নাবগী ত্রেনিং পীবা, খ্বাং নাবগীনা খ্বাং নাবগী ত্রেনিং পীবা, সোলদরগী প্রোব্লেম লৈবগীনা সোলদরগী ত্রেনিং পীবা অদুবুনি। ঐখোয়গী জিমদা লাক্লগা মশা মউ ফবা ঙাক্তা নত্তে হায়না অপূনবা ফিটনেস সেন্টরগী মেনেজিং দিরেক্টর ফাউন্দর ষ্ট্রোংমেন ওফ ইন্দিয়া য়ূম্নাম হেমলেটনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।





য়ূম্নাম হেমলেট হাওরৈবী অৱাং লৈকায়দগী হৌজিক্লা নাগামপাল রিমস রোদতা লৈরি। মহাক য়ূম্নাম পিশক, য়ূম্নাম ওংবী লৈমা অনীগী মচানুপা তরেৎ অমদি মচানুপী অহুম পূন্না মচা ১০গী মনুংদা মহাক্লা অতোনবনি। য়ূম্নাম হেমলেট হাওরৈবী হায় স্কুলদা তম্লকখি। মহাক কুমজা ১৯৯২দা মেত্রিক পাস তৌখি। মদুগী মতুংদা মহাক পুনেদা ক্লাস এলেভেন অমদি ত্বেলভ তম্লগা কুমজা ১৯৯৭তা বি এ পাস তৌখি। মহাক কোলেজ তম্লিঙৈ মনুং কুমজা ১৯৯৫দগী মহারাষ্ট্রগী রবিন্দ্র য়াদব, এদভোকেট, ষ্টেট সেক্রেটরি অসিগী মখাদা পাৱর লিফটিং অসি শান্নবা হৌরকখি। মহাক কেজি ৬৭তা মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী সভেন টাইম ষ্ট্রোংমেন ওইখি। ইন্দিয়াগী ওইনা অনীরক চেম্পিয়ন ওইবগা লোয়ননা মেদল লৌখি। মহাক কুমজা ২০০৩দা ৱর্ল্ডগী মরিশুবা পাৱর লিফটিং চেম্পিয়নশিপকী সিলেক্সন ফংখি অদুবু খুদোংচাদবা খরদগী মহাক চৎখিদে। কুমজা ২০০৪ এসিয়াগী ওইনা পাৱর লিফটিং চেম্পিয়নশিপ জমসেদপুরদা শান্নবদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। কুমজা ২০০৬তা পাৱর লিফটিং শান্নবা তোকখি। অদুগা মহাক মশামক জিম ত্রেন্নর অমা ওইনা চহী ১২ হেন্না এক্সপরিএন্স লৈনা পুনেদা ত্রেন্নর ওইনা লৈরকই। হান্না জিম হায়নরম্বা অদু মহাক্কী হাংদোকখ্রবা অমদি হৌদোকখ্রবগী মতুংদগীদি ময়াম্না ফিটনেস সেন্টর ওইনা হায়নরক্লে।

অদুনা মখোয়গী নাগামপালদা লৈবা অপূনবা ফিটনেস সেন্টর অসিদা লাক্লগা য়েংবীয়ু মহাক মশামকসু ফিটনেস কোর্স দিপ্লোমা অসি পুনেদা লোইরকপনি। অদুগা থাই ফিজিও ত্রেনিং কোর্স অসিনা কুমজা ২০০৪/০৫দা বেঙ্কোক্তা ত্রেনিং তৌরকপনি। মহাক্লা পুনেদা ফিটনেস সেন্টর হাংলক্লিবা অমদি কোচ ওইনা লৈরক্লিবা অসি কুমজা ২০০৮ ফাওবা লৈরম্মী।

মহাক্লা মণিপুরদা ৱর্ল্ড ক্লাসকী জিমগী পোৎ চৈশিং পুরক্তুনা হাংবগা মহারাষ্ট্রদা লৈহৌবা অদুগা অনী অসি শান্নবগী মওং মতৌ য়াম্না খেন্নৈ। তুনা য়েংবা মতমদা য়াম্না খেন্নৈ। মণিপুরদা কুমজা ২০০৯দা নাগামপালদা জিম অমা হাংবা মতমদা মতম অদু মতিক চাবা প্রোফেসনেল জিম লৈতবা, অদুগা শান্নফম ওইরগসু শঙ্গোইদা করিদা তৌরম্বা অদু উবদা মঙোন্দা সের্ন্টিমেন্ট য়াম্না শোকখি। ৱর্ল্ড ক্লাসকী খূৎলায় লৈদুনা পুরক্লগা মণিপুরদা ফিটনেস সেন্টর ওইনা হাংবা অদুগা খ্বাইদগী নুংঙাইবা অসি মণিপুরগী মীয়ামদা পীগে খনখি।

ফিটনেস সেন্টর অসি মপান্দা হাংবা মতমদা মখোয়গী মীশিং য়াম্না থোইদোক-হেন্দোক্লা পাম্নবা ওই, অয়াম্বা শেল পায়বা মীওইশিং ওইবনা অদুগা ফেমিলি পুন্নসু শান্নমীন্নৈ। ঐখোয়গী অসিদনা বোদি বিল্ডিং শান্নবগী ৱাখলদা লোইনা উই। কম্মর্সিলাইজ ওইনা তৌই। আদনা মীপূম খুদিংমক অসি মশা ফিট ওইদবা য়াদে হায়না খন্নৈ। মহারাষ্ট্রদদি মফম অদুগী শেল পায়বা মীওইশিং ফিল্ম এক্টরশিং য়াওনা ময়াম অমা মহাক্লা ত্রেন তৌখ্রে। কুমজা ২০০৬তা মেন হন্ট তাবা ফাওবা মহাক্লা ত্রেন তৌবীখ্রে। কনাগুম্বা মীওই অমনা ফিটনেস সেন্টর অসিদা মীং চনবা মতমদা মহাক্কী মশাদা হান্না অনাবা করি করি লৈবগে হায়না হান্না হংই। মদুগী মতুংইন্না ত্রেন তৌই। খোঙ নাবা মীওই অদুদা ঐখোয়না হেক্তা ত্রেন তৌশিনবা য়াদে। তৌবা য়াবা এক্সর্সাইজ ময়াম অমা লৈরি। মখোয়দা শোক্লোইদবা এক্সর্সাইজ মঙা/তরুক পীগনি। শান্নবগী চহীদি অঙাং চহী ৮দগী শান্নবা য়ারে। অদুগা অহলদি ঙল্লিখৈ শান্নবা য়ারে। নুপীশিংসু জিম শান্নবা অসি য়াম্না দরকার ওই। জিম শান্নবা মতমদা ঐখোয়না পুং অমা শান্নবা মতমদা কেলরি ৬০০ বর্ন তৌই। শান্নবা লোইরবা মতুং পুং ৩৬ অদুম বর্ন তৌরগা লৈ। অদুগা এরোবিক শান্নবা, লমজেল চেনবা, সাইকল থৌবা অমদি ইরোইবা অসিনা পুং ৩ রোম বর্ন তৌরগা লৈগনি। চহী ৩০ হেল্লগদি মেতাবোলিজম লো ওইরক্লবনি চাবা থকপা তুম্বা অসি ৱাৎলি। অদুগা জিম শান্নবা মতমদনা মসি হেনগৎলকই। অদুগা ঐখোয়গী বোন মেরো অসি ঐখোয়না চহী ৩০গী মতুং শুংবা তোকই। অদুগা শান্নরগদি অমুক শুংই হায়রি।

মরম অদুনা অহল ওইরগসু জিম শান্নবা অসি য়াম্না ফৈ। অহল ওইরগা তুশিনবদা শরূ হেক তেক্লিবা অদু চাং নাইনা জিম শান্নরগদি মদুগুম্বা কয়া অদু থোক্লোই। অদুগা লমজেল চেল্লগা দাইটিং তৌরগা ইরোইরগা ৱেটতি তাগনি অদুগা স্কিন টোন অপ তৌবদি ঙম্লোই। ঐখোয়না উনশা অসি তাপ হেক পায়বগা মরিন চৎকনি। অদুবু চাং নাইনা শান্নরগদি শরূ অমদি উনশাসু মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। অদুগা জিম শান্নবা লোইরবা মতমদা ঐখোয়গী উনশা অসি তপ নপ্পা অদুম লৈগনি। অদুগা কনাগুম্বা নুপী খরদি জিম শান্নবা কিবা য়াওই। মরমদি নুপী শান্নবা অসি মসল কারোই মরমদি মখোয়গা ঐখোয়গা হোর্মোন খেন্নৈ। নুপীদা য়াওরিবা হোর্মোন অসিদি মসল ফোর্ম তৌনদে। অদুগা টি ভিদা করিগুম্বা কান্দা মসল কাবা নুপী খরা উবা য়াওই। মখোয় অদু গুলি অমা শীজিন্নরম্বা য়াই। মশল কাগে হায়রবদি ৱেটলিফটর সাইখোম মিরাবাইনা শান্নরিবা অসি য়োৎনি। অদুবু মশল কাগে হায়রবদি মহাক কাবা য়াই, অদুবু কাদে।

ঐখোয় দাইটতি অমত্তা রেকমেন্দ তৌদে। ঐখোয়গী ফংলিবা লফোই, শঙ্গোম, য়েরূম চাবা অসিদগী হেন্না ফবা লৈতে। প্রোটিন হেল্লগদি খূকউ তাং চিংবা হেল্লি। অদুগা পোৎ অদুনা সাইদ ইফেক্ট ওইরগদি শম কেনবা য়াই, স্কিন এলর্জি তৌবা য়াই। ঙসিগী হৌরক্লিবা নহাশিংনা মনাক নকপদা লৈবা জিমদা চৎলগা শান্নবীয়ু, হকচাং ফরগদি ইশাগী পর্সনেলিটি হেনগৎহল্লি। অদুগা হকচাং ফরগদি মহৈরোয়শিংসু মতম কুইনা লাইরিক পাবা ঙম্মী। নোংমগী হকচাং শাজেল খরা খরা তৌবা য়াম্না কান্নগনি। শংদে হায়রগসু নারবা কান্দদি লোইনা শংবনি হায়রি। জিম শান্নবদা মাংজবা অমত্তা লৈতে, জিম অসি সেকেন্দ হোমনি হায়নরিবনি। ●


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ / NOTICE FOR OBJECTION

Imphal, the 22/08/2022

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Success Education Foundation"** address as Konthoujam Maning Leikai, Imphal West on 18-08-2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Konthoujam A/C**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 9089297211 for any objection/quarry)**

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/3924/23



## ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯕ / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরূপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/7793/11/8-11/9



ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕ

## WANTED TEACHERS FOR A REPUTED COACHING CENTRE AT IMPHAL

| Subject | Class | Qualification |
|---|---|---|
| 1. Mathematics | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 2. Hr. Maths | (9 & 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |
| 3. Physics | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 4. Chemistry | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 5. Biology | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 6. Home Sc. | (9 & 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |
| 7. Biology | (9 & 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |
| 8. Mathematics | (6 - 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |

*** Preference is given to in service teachers.**
**FRESHERS ALSO CAN APPLY.**

**Contact : 9612441824 / 7628946313 / 8732022342**

HL-P/7805/23-30



**ꯇꯥꯛꯄꯤꯕ / অমাংথোঙ ময়াদা চনম মরূমুক চাওবা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা নাম্থরকপা, খোঙ হাম্লিং-হাম্লিং তৌরগা লৈবা, হাম্বা চঙলুরগা হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোঙদা নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা চনম মরূমুক চাওবা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোকপা অদু নোংম-নোংমগী চাওবা হেন্দোরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদসু অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা নাম্থরকপা, নাম্থরকপা অদু খোঙ হাম্বা লোইরগা অমুক হনগৎখিবা, চহী খরগী মতুংদা খোঙ হাম্বদা তাংমুক শাংনা নাম্থরকপা অদু মশানা হনগৎলু য়ারক্তবা, খোঙ হাম্লিং-হাম্লিং তৌরগা লৈবা, হাম্বা চঙলুরগনা হাম্বা য়াদবা, শংলগা অদুম লৈনিংবা, চাবনা অদুম চাশিনবা খোঙ হাম্বনা য়াদবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোঙদা য়াম্না নারগা লৈবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংবা, পূকচেপ নাবা, থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু থাগৎপা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা, চেখায়বা অদু ওইশিল্লু শুকয়া য়াদবা, ওইশিল্লবসু খোঙ হাম্বগী শংবদা তাংমুক হেন্না চেখায়রকপা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **K. Sarojini Devi**
Pangong

HL-B/7796/23



## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref. Mutation Case No. 235/SDC/NTK/2022**

Laishram Mema Devi W/o Late Laishram Ingocha Singh of Naranseina Mamang Leikai. - Petitioner

-Versus-

Late Laishram Yaima Singh S/o Late Laishram Jhulon Singh of Naranseina - Opponent

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 18th August, 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 48-Naranseina Village গী Patta no. 252 (O), 248 (N) CS Dag no. 66 Area 2.08 acre গী অঙনফৌ ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মমৌ (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথুগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong, Manipur

HL-P/3723/23



## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref. Mutation Case No. 238/SDC/NTK/2022**

1. Thokchom Ibopishak Singh S/o Late Th. Madhurja Singh of Ningthoukhong W/no. 8.
2. Thokchom Ingo Singh S/o -do- of -do-
3. Thokchom Rameshwor Singh S/o -do- of -do-
4. Thokchom Surjit Singh S/o Late Th. Madhop Singh of -do-
5. Thokchom Ajitkumar Singh S/o Late Th. Madhop Singh of -do- - Petitioners

-Vs-

Late Thokchom Madhurja Singh S/o Late Th. Chandrahas Singh of Ningthoukhong W/no. 8. - Opponent

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 18th August, 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 48-Ningthoukhong Kha Village গী Patta no. 174 (O), 284 (N) CS Dag no. 2252 Area 0.39 acre গী ইঙ্খোল ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা-মশুশিং (Petitioners) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথুগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong, Manipur

HL-P/3723/23



## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mut. Case No. 699/SDC/Hng/IE/2022**

Md. Ayub Khan S/o (L) Md. Kiramuddin of Yairipok Tulihal. -Petitioner

-Vs-

(Late Pattadar) : Md. Abas Khan S/o (L) Md. Kiramuddin of Mantripukhri -O.P.

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ / **NOTICE**

Dated : 22-8-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং ৯-চিংমৈরোং নোংপোকতা লৈবা অরিবা পাট্টা নং ১ অনৌবা পাট্টা নং ১২৯/৫৫৬, দাগ নং ১২/৬৫২, এরিয়া .০৭ একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃত: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C., Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C., Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East.

HL-P/3722/23



## OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, KHONGJOM

**Ref. Mut. Case No. 539/SDC/KJM** **Dt. 22/08/2022**

Moirangthem Robindro Kumar Singh S/o (Late) Nipamacha Singh of Wangjing Bazar. - Petitioner

Vrs-

Moirangthem Chanu Inaotombi D/o (Late) Nipamacha Singh of Wangjing Bazar. - Opponent

ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ / **NOTICE**

Khongjom, Dated 22nd August, 2022

Under section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহল্লি মদুদি খোংজোম তহশিল খুল no. 133 - Wangjing patta no. 1545 (O) 1627 (N) Dag no. 5005 গী area .0311 hectare চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার Moirangthem Chanu Inaotombi না মহাক্কী হেক পোকমিন্নবা মবুং দংকারি Moirangthem Robindro Kumar Singh দা Gift Deed Being no. 1031 dt. 12/08/2022 গী মতুং ইন্না মথক্তা পল্লিবা লম পূম্নমক অসি পীথোক্লে। দংকারিনা হায়রিবা লম অসি মঙোন্দা নামা পানবীরো হায়দুনা ঙসি dt. 22/08/2022 অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ নি ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাবীরকপা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা তাবা থবক চথুজগনি।

Sd/- **K. Ibomcha Singh**
Sub-Deputy Collector, Khongjom

HL-P/3816/23


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।